# প্রাইম মিনিষ্টরনা লুচিংবা পেনেলনা লোকপাল সর্চ কম্মিটিগীদমক শক্লাইরবা মীওই হাপ্পবা খন্নগনি



***ন্যু দিল্লি, জুলাই ২৫ ঃ***
লোকপাল সর্চ কম্মিটিগী মেম্বরশিং ওইনা শক্লাইরবা মীওইশিংবু হাপ্পবা প্রাইম মিনিষ্টর নরেন্দ্র মোদিনা লুচিংবা পেনেলনা খন্নরবা য়ারি হায়না গভর্ণমেন্টনা ঙসি ফোংদোকখ্রে।

অকক্লবা থাক খরগী পব্লিক সর্ভেন্টশিংগী মায়োক্তা থাঙ্গৎপা করপসন কেসশিংদা থিজিন্নবা সেন্টরদা লোকপাল অমসুং ষ্টেটশিংদা লোকআয়ুক্তশিং লীংখৎনবা শক্তি পীরিবা লোকপাল অমসুং লোকআয়ুক্ত এক্ট অসি কুমজা ২০১৩ দা পাস তৌখিবনি।

প্রাইম মিনিষ্টরনা লুচিংবা সেলেক্সন কম্মিটি অদুগী মীফম অহুম, চহী অসিগী মার্চ ১, এপ্রিল ১০ অমসুং জুলাই ১৯ দা ফমখ্রে হায়না লোক সভাদা অইবা পাউখুম অমদা যুনিয়ন মিনিষ্টর জিতেন্দ্র সিংহনা হায়খি।

সেলেক্সন কম্মিটিগী এপ্রিল ১০ দা ফম্বা মীফমনা রিকোমেন্দেসন তৌরকপগী মতূং ইন্না প্রসিদেন্ট রামনাথ কোবিন্দনা হান্নগী মেম্বর ওইরম্বা সেনিয়ার এদভোকেট পি পি রাওনা লৈখিদবদগী হাংহৌবা মফম অদুদা হান্নগী এট্টোর্নি জেনরেল ওফ ইন্দিয়া মুকুল রোহতাগিবু 'ইমিনেন্ট জ্যুরিষ্ট' মেম্বর ওইনা হাপখ্রে হায়না মহাক্না হায়খি।

সেলেক্সন কম্মিটিনা মথংগী মীফমদা সর্চ কম্মিটিগী মেম্বরসু ওইনা হাপ্পবগীদমক প্রোভিজনশিংগী মতূং ইন্না ক্বালিফাই ওইরবা শক্লাইরবা মীওইশিংগী মমিংশিং খন্ননবা পুথোক্কনি হায়না মিনিষ্টর ওফ ষ্টেট ফোর পার্সোন্নেলনা হায়খি।

সর্চ কম্মিটি অসি মেম্বর ৮ না শাবনি। লোকপাল অমসুং মসিগী মেম্বরশিং হাপ্পবগী মমিং পরেং অমা কম্মিটি অসিনা শোয়দনমক রিকোমেন্ট তৌগদবনি।

লোকপাল হাপ্পদা মতম থেংথদুনা লৈবগী মতাংদা থাঙ্গৎলকপা কেস অমগী হিয়ারিংদা ঙরাং শুপ্রিম কোর্টনা সর্চ কম্মিটি মেম্বরশিং হাপ্পগী মতাংদা সেন্টরদগী পীরকপা পাউখুমদা পেন্দবা ফোংদোকখি।

# ট্রিপুরাগী উদয়পুরদা খূৎ থোক্নবদা সি পি এম লুচিংবা ৩ অমসুং পুলিস কন্সটেবল ১ য়াওনা মীওই ৪ শোকখ্রে

***আগর্তলা, জুলাই ২৫ ঃ***
ট্রিপুরাগী গোমাতি দিষ্ট্রিক্টকী উদয়পুরদা ঙরাং নুমিৎ য়ুংবা মতূংদা মফমসিগী মীয়ামগা সি পি এম ৱার্করশিংগগী মরক্তা খূৎ থোক্নবদা সি পি এম লুচিংবা ৩ অমসুং পুলিসমেন ১ য়াওনা মীওই ৪ শোকখ্রে।

সুপরিন্টেন্দেন্ট ওফ পুলিস (গোমতি) অবুলা রামেশ রেদ্দিনা মেদিয়াদা ফোংদোকপদা সি পি এম না লোকেল ওথোরিটিদগী অয়াবা লৌদনা নুংথিল পূং ৩ রোম তাবদা উদয়পুর তাউনদা খোঙচৎ অমা লাকখি। খোঙচৎ লাক্লিবশিং অদুনা মহাদেব দিঘি মনাক্তা মীওই খরগা মুক্নবগী থৌদোক অমা থোকখি অমসুং মদুদগী নাকল অনী খূৎ থোক্নরকখি। মদুদা মীওই ৪ শোকখি।

উদয়পুর তাউনদা লো এন্দ ওর্দরগী নুংনাংবা লৈবদগী রেল্লি অদু চৎনবা পার্মিসন মখোয়দা পীখিদে। কারবুক অমসুং অতৈ মফমশিংদা রেল্লিশিং অদু পাঙথোক্নবা পার্মিসন পীখি হায়না সুপরিন্টেন্দেন্ট ওফ পুলিস অদুনা হায়খি।




খূৎ থোক্নবা অদুদা রাধাকিশ্বরপুর পুলিস ষ্টেসন্দা লৈবা অপু দেবনাথ কৌবা কন্সটেবল অমা মকোক্তা শোকখি অমসুং মহাক গোমতি দিষ্ট্রিক্ট হোস্পিটালদা পুখৎতুনা লায়কন্নখ্রে।

খূৎ থোক্নবগী থৌদোক অদুদা জুধপদা জামাতিয়া, রখাল মজুমদার অমসুং তরুন ঘোশ কৌবা সি পি এম লুচিংবা অহুমসু শোক্তুনা হোস্পিটালদা পুখৎখি।

থৌদোক অদুবু সি পি এম ষ্টেট সেক্রেটরী বিজন ধরনা য়ানিংদবা ফোঙদোকখি অমসুং রেল্লি অদুগী মরক্তা মরাল অমা শীজিন্দুনা ভলন্টিয়ারশিংবু অশোক-অপন নংহল্লি হায়না বি জে পি সপ্পোর্টরশিংবু মরাল শীখি।

খূৎ থোক্নবা অদুদা হান্নগী রেভিন্যু মিনিষ্টর বাদল চৌধুরি অমসুং হান্নগী সেদুল কাষ্ট ৱেলফিয়ার মিনিষ্টর রতন ভোমিকসু শোকখি।

ট্রিপুরা বি জে পি জেনরেল সেক্রেটরী ওইরিবী প্রতিমা ভোমিকনা হিংশাগী থৌদোক অদু হান্নগী মিনিষ্টর বাদল চৌধুরিনা ইনশিন্দুনা থোকহনবনি হায়বা ৱাফম থন্নদুনা সি পি এম গী মথক্তা অকনবা মওংদা চৈখি। সি পি এম কাদরশিংনা বি জে পি সপ্পোর্টরশিংদা খূৎ থারকখি হায়না মহাক্না ফোঙদোকখি।

ঙরাং ওপোজিসন সি পি এম না বেঙ্গল অমসুং ট্রিপুরাদা দেমোক্রেসি হাৎলি হায়বগীদমক পার্লিয়ামেন্টকী মমাঙদা চথবা পার্টিগী খোঙজং অদু শৌগৎপা ওইনা য়ামদ্রবদা ট্রিপুরাগী তোঙান তোঙানবা মফম ২৬ তা পার্টি অসিনা রেল্লিশিং, কনভেনসনশিং অমসুং মাস দেমোষ্ট্রেসনশিং পাঙথোকখি।

## ক্রিমিনেল ফাবা চৎখিবা এ এস আই ফুবদা শিরে

***ছিন্দৱারা, জুলাই ২৫ ঃ***
মধ্য প্রদেশকী ছিন্দৱারা দিষ্ট্রিক্টতা পুলিসনা ফাবা পাম্বা ক্রিমিনেল অমা ফানবা থিবা-হুম্বগী থবক চত্থবদা ক্রিমিনেল অদুগী মরী-মতাশিংনা এসিষ্টেন্ট সব-ইন্সপেক্তর অমা ফুবদা শিরে হায়না পুলিসনা ঙসি ফোঙদোকখ্রে।

উমরেথ পুলিস ষ্টেসনগী এ এস আই দেবচান্দ নাগ্লেনা মহাক্কী এসিষ্টেন্ট অনিল কুমারগা লোয়ননা জামুনিয়া জেথু খুনদা জোহারি লাল কৌবা এরেষ্ট ৱারেন্ট থোকখ্রবা ক্রিমিনেল অসি ফাবা চৎখি। মদুদা ক্রিমিনেল অদুগী মরী-মতা থোকপা মীওই ১২ রোমনা য়োৎচৈ অমসুং থাঙনচিংবনা শীজিন্নদুনা ফুরকখিবনি। মদুদা এ এস আই অদু শিখিবনি হায়রি।

## আনন্তনাগতা খূৎ থোক্নবদা টেরোরিষ্ট ২ হাৎখ্রে

***শ্রীনগর, জুলাই ২৫ ঃ***
খা থংবা কাশ্মীরগী আনন্তনাগ তাউনদা য়ূম অমগী মনুংদা টেরোরিষ্টশিং লৈরে হায়বা ইন্টিলিজেন্সকী পাউ অমা ফংবদগী ঙসি অয়ূক মফম অদুদা চঙশিনখিবা সেক্যুরিটি ফোর্সশিংগা টেরোরিষ্টশিং অদুগা খূৎ থোক্নবদা লাসকর-ই-তাইবা টেরোরিষ্ট ২ হাৎখ্রে হায়না পুলিসনা ফোঙদোক্লি।

টেরোরিষ্ট ২ লৈরে হায়বগী অকক্নবা পাউ অমা ফংলবা তুংদা পুলিস, সি আর পি এফ অমসুং আর্মিগী অপূনবা খূৎপু অমনা তউন অদুগী লাল চোক, মেহমান মোহল্লাদা লৈবা য়ূম অমা কোয়শিনখি।

ইন্সপেক্টর জেনরেল ওফ পুলিস (কাশ্মীর রেঞ্জ) স্বায়ম প্রকাশ পানিনা ফোঙদোকপদা য়াম্না মী কুংবা মফম অমা ওইবনা ওপরেসন অদু অরুবা অমা ওইখি। মীচম পূম্নমক মফমদুদগী থোক্লকহনখি অমসুং মদুগী মতূংদা রুম ইন্টর্ভেন্সন টিমনা ওপরেসন অদু মপূং ফানা লোইশিনখিবনি হায়খি।

ঙরাংগী ওপরেসন অদুনা চহী ১২ গী মতূংদা আনন্তনাগ তাউন মনুংদা চত্থবা অহানবা ওপরেসননি।

ওপরেসন অদুদা ফাগৎলকখিবা পোৎ-চৈশিংগী য়ূম্ফমদা টেরোরিষ্টশিং অদু লাসকর-ই-তাইবগী ওইগনি হায়বা খঙখি অমসুং মখোয়গী মনুংদগী বিলাল অহমদ দর এলাইস বিন য়ামিন দর কৌবা অমদি কুলগামদা লৈবা মীওইনি হায়না পুলিসনা হায়খি।

পুলিস রেকোর্দকী মতূং ইন্না মশাগী চহী ২৬ শুরবা বিলাল ক্লাস টুৱেল্ভ পাস তৌখ্রে। অমসুং জুন ২০১৭ দা লানহৌবা য়াওখিবনি।

মহাক থা অসিগী অঙনবদা হাৎখিবা লাসকর-ই-তাইবগী দিভিজনেল কম্মান্দর শাকুর দরগা নক্নবা মীওই অমনি অমসুং টেরর এটেক কয়ামরুমদা মহাক চৈন্নে। খূৎ থোক্নফম অদুদগী খূৎলাই অমসুং নোংমৈ মরুশিং ফংখি হায়রি।

# অকনবা চেকশিন-থৌরাং মরক্তা পাঙথোকখিবা পাকিস্তানগী মীখলদা বোম পোকখাইবদা ৩৫ শিখ্রে



***ইস্লামাবাদ, জুলাই ২৫ ঃ***
ঙসি পুলিসমেন ৪৪৯,৪৬৫ অমসুং মিলিটরি পার্সোনেল ৩৭০,০০০ হেন্না শীজিন্নদুনা অকনবা চেকশিন-থৌরাং মরক্তা পাঙথোকপা পাকিস্তানগী জেনরেল ইলেক্সনদা বোম পোকখাইবগী থৌদোক্তা য়ামদ্রবদা মীওই ৩৫ শিখ্রে অমসুং মীওই ৩৫ রোম অরুবা ফিভমদা শোকখ্রে।

লৈবাক অসিগী শক্তি লৈরবা আর্মিনা খূৎ থিংজিল্লি হায়বগী মরাল শীবা কয়া অমসুং ইস্লামিক হার্দলাইনরশিংনা মশীং য়াম্না মীখল অসিদা শরুক য়াবগী মতাংদা নুংনাংবশিংগী মরক্তা লৈবাক অসিগী চহী ৭০ গী ইতিহাসতা অনীশুবা সিভিলিয়ান গভর্ণমেন্ট অমগীদমক অনৌবা প্রাইম মিনিষ্টর অমা খনগদৌরি।

পার্লিয়ামেন্টকী লৱার হাউসকী মেম্বরশিং অমসুং প্রোভিন্সিয়েল এসেমব্লি ৪ গী মেম্বরশিং খন্নবগীদমক মীওই মিল্লিয়ন ১০৬ লোমনা ভোটর ওইরি। ইলেক্সন কম্মিসন ওফ পাকিষ্টান (ই সি পি) গী মতূং ইন্না নেস্নেল এসেমব্লিগী জেনরেল সিট ২৭২ গীদমক মীরেপ ৩,৪৫৯ না লম্বা থেংনরি। অদুগা পঞ্জাব, সিন্ধ, বালোচিস্তান অমসুং খাইবর-পাখতুনখৱা কৌবা প্রোভিন্স মরিগী এসেমব্লিশিংগী জেনরেল সিট ৫৭৭ কীদমক মীরেপ ৮,৩৯৬ না লম্বা থেংনরি।

ঙসি অয়ূক পূং ৮ দগী ষ্টেসন ৮৫,০০০ হেনবদা ভোট থাদবা হৌখি। মীখলগী থবক পূম্নমক নুমিদাংৱাইরম পূং ৬ তা লোইশিল্লবা তুংদা থুনমক মফম-মফম অদুমক্তদা ভোট মশীং থীগনি অমসুং পূং ২৪ গী মনুংদা মীখলগী ফল লাওথোক্কনি। পোলিটিকেল পার্টি ৩০ হেনবনা মীখল অসিগী মখোয়গী মীরেপশিং থাদোক্লরি।

পাকিষ্টানগী নেস্নেল এসেমব্লি (লৱার হাউস) অসি মেম্বর ৩৪২ না শাই। মসিগী মনুংদা ২৭২ ঙসি ভোটরশিংনা হকথেংননা খনগনি। অদুগা লেহৌরিবা সিটশিংগী মনুংদা সিট ৬০ নুপী রিজার্বনি অদুগা সিট ১০ না রিলিজিয়স মাইনোরিটিশিংগীনি।

হৌজিক করপসনগী মরালদা জেলদা চহী ১০ গী চৈরাক ফংদুনা লৈরিবা হান্নগী প্রাইম মিনিষ্টর নৱাজ রারিফনা লুচিংবা পাকিস্টান মুস্লিম লিগ-নৱাজ (পি এম এল-এন) বু সরকার পায়বদগী ইন্থুনবা ওপোজিসন পাকিস্টান টেহরীক-ই-ইনসাফ (পি টি আই) পার্টিনা আশা তৌরি। পার্টি অসি ক্রিকেটরদগী পোলিটিসিয়ান ওনখিবা ইম্রান খাননা লুচিংবনি।

অমরোমদা পাকিষ্টানগী তালিবান মিলিটেন্টশিংবু মরু ফুক্তোক্কনি ৱাশকখিবী, অদুবু মিলিটেন্টশিং অদুনা হাৎখ্রবী হান্নগী প্রাইম মিনিষ্টর বেনজির ভুতোগী মচানুপা বিলাৱাল ভুতো জর্দারিনা লুচিংবা পাকিস্টান পিপলস পার্টিসু গভর্ণমেন্ট পায়নবগী লমজেন অসি য়াওরি।

লৈবাক অসিগী মথংগী প্রাইম মিনিষ্টর ওইবগী আশা তৌরিবা পি এম এল-এন গী প্রসিদেন্ট সাহবাজ শারিফনা লাহোরদা ভোট থাদখিবশিংগী মনুংদা অমা ওইখি।

মরকসিদা পাকিষ্টানগী অৱাং নোংচুপ থংবা সিটি কুৱেট্টাদা ভোটরশিংনা পীক থনবা পোলিং ষ্টেসন অমগী মপান্দা সুইসাইদ বোম্বর অমনা মশামক পোকখাইহন্দুনা চথরকখিবা এটেকতা য়ামদ্রবা মীওই ৩৫ শিখ্রে অমসুং অরুবা ফিভমদা শোকপা কয়া য়াওনা পুন্না মীওই ৩৫ শোকখ্রে। সিটি অসি বালোচিস্তান প্রোভিন্সকী কেনুংনি।

বালোচিস্তানদা থা অসিগী অঙনবদসু পোলিটিকেল মীখলগা মরী লৈনবা পোলিটিকেল রেল্লি অমদা চত্থখিবা সুইসাইদ এটেক অমনা কেন্দিদেট সিরাজ রাইসানি য়াওনা মীওই ১৪৯ হাৎখ্রবনি। এটেক অদুদা অতোপ্পা মীওই ৪০০ রোম শোকখি। ঙসিগী থৌদোক মফম অদুগী কন্সটিট্যুয়েন্সি অদুদা ভোট থাদবগী থবক লেপহনখ্রে।

# পি এম মোদিনা উগন্দাদা ইন্দিয়ান কম্ম্যুনিটিগী থৌরমদা সর্দার পতেলগী মুর্ত্তি মাইখুম হাংদোকখ্রে

***কম্পালা, জুলাই ২৫ ঃ***
প্রাইম মিনিষ্টর নরেন্দ্র মোদি অমসুং উগন্দাগী প্রসিদেন্ট য়োৱেরি মুসেভেনিনা লৈবাক অসিগী কোনুং কম্পালাদা পাঙথোকপা ইন্দিয়ান কম্ম্যুনিটিগী থৌরম অমদা ইন্দিয়াগী অহানবা হোম মিনিষ্টর সর্দার বল্লবভাই পতেলগী মুর্ত্তি অমা মাইখুম হাংদোকখ্রে।

উগন্দাদা লৈবা ইন্দিয়ান কম্ম্যুনিটিনা তরাম্না ওপগী থৌরমদা শরুক য়াখিবা ইন্দিয়াগী প্রাইম মিনিষ্টর নরেন্দ্র মোদি অমসুং উগন্দাগী প্রসিদেন্ট মুসেভেনিনা সর্দার বল্লবভাই পতেলগী মুর্ত্তি অদু মাইখুম হাংদোকখি হায়না ট্যুটরগী খুত্থাংদা মিনিষ্ট্রি ওফ এক্সটর্নেল এফিয়ার্সকী ৱাঙাংলোই রবীশ কুমারনা হায়খি।

থৌরম অদুদা ইন্দিয়াগী প্রাইম মিনিষ্টর নরেন্দ্র মোদি অমসুং উগন্দাগী প্রসিদেন্ট মুসেভনিসু ৱা ঙাংখি। প্রাইম মিনিষ্টর মোদিনা ৱা ঙাংবা তাননবা ইন্দিয়ান কম্ম্যুনিটিগী মীওইশিং মশীং য়াম্না থোক্নরকখি। ইন্দিয়া অমসুং উগন্দাগী মরক্তা মফম অসিদা ইন্দিয়ান কম্ম্যুনিটিনা খ্বাইদগী কনবা অমসুং খ্বাইদগী তুং কোইনা লৈবা ইকোনোমিক অমসুং কলচরগী মরী অদু থল্লি হায়না নরেন্দ্র মোদিনা হায়খি।

প্রাইম মিনিষ্টর নরেন্দ্র মোদিনা ৱা ঙাংলিঙৈগী মতম মিনিট ৩০ রোম অদু উগন্দাগী প্রসিদেন্টনা তাদুনা থৌরম অদুদা লেংদনা শরুক য়াদুনা লৈখি। মহাক্নসু উগন্দাদা লৈরিবা ইন্দিয়ান কম্ম্যুনিটিবু থাগৎখি। মহাক্কী ৱারোলদা ইন্দিয়ান কম্ম্যুনিটিগী থবক কনবা অমসুং লৈবাক্কী ইকোনোমি দিভলপমেন্টদা চাউনা শরুক য়াবগীদমক থাগৎখি হায়না ট্যুটরদা মিনিষ্ট্রি ওফ এক্সটর্নেল এফিয়ার্সকী ৱাঙাংলোয় অদুনা হায়খি।

প্রাইম মিনিষ্টর নরেন্দ্র মোদিনা উগন্দাদা চৎপা নুমিৎ নীনিগী খোঙচৎতা ঙরাং নুমিদাংৱাইরম লৈবাক অসিগী কোনুং কম্পালাদা থুংলখিবনি। মাগী খোঙচৎ অসিনা কুমজা ১৯৯৭ কী মতমদগী হৌজিক ফাওবগী মনুংদা ইন্দিয়াগী প্রাইম মিনিষ্টর অমনা লৈবাক অসিদা চৎপা অহানবা খোঙচৎনি।

# গ্রিসতা লাম্মৈ চাকপদা শিখিবা ৭৯ শুখ্রে

***মাতি, জুলাই ২৫ ঃ***
গ্রিসতা চহী দিকেট কয়াগী মনুংদা খ্বাইদগী হেন্না মীশি-মীনা থোকপা লাম্মৈ চাকপদা হৌজিক ফাওবা থীবা খঙদ্রিবা মীওইশিংগী মৈতান ওল্লবা য়ূমশিং অমসুং কাশিং ঙসি রেস্ক্যু ক্রুশিংনা চঙদুনা থিবা-হুম্বগী থবক চত্থখ্রে। হন্দক্কী লাম্মৈ চাকপা অসিনা লৈবাক অসিগী কোনুং এথেন্স মনাক্কী সমুদ্র তোর্বানগী মফমশিংদা য়ামদ্রবদা মীওই ৭৯ শিখ্রে অমসুং মীওই লীশিং কয়া চেপ্তাক্নরকখ্রে।

হৌজিক ফাওবা মীওই কয়া য়াম্না থিবা খঙদ্রি হায়বসি ওফিসিয়েল ওইনা ফোঙদোক্লক্ত্রি। মীয়াম্না মখোয়গী নুংশিজরবা ইমুং মনুংশিংগী মীওইশিং অদুগী ঈ-পাউ খঙহনবীয়ু হায়না সোসিয়েল মেদিয়া অমসুং গ্রিক টেলিভিজন ষ্টেসনশিংদা লাক্লখি।

হৌজিকসু ফাইয়ার ফাইটর ২৮০ রোম হেনবনা চাত্তুনা লৈহৌরিবা মৈশিং শন্দোরকপা থিংনবা এথেন্সকী অৱাং নোংপোক্তা মৈ মুত্থৎপা কন্না হোৎনরি। ঈশিং থাদবা হেলিকোপ্টর অমনা ঙাক্লৌ পীদুনা অতোপ্পা ফাইয়ার ফাইটর ২০০ রোমসু কোনুং অসিগী নোংচুপ থংবদা অনীশুবা ফোরেষ্ট ফাইয়ার মুত্থৎনবা হোৎনরি।

লাম্মৈ চাকপগী থৌদোকশিংদা লৈখিদ্রবা মীওইশিংগীদমক লৈবাক্কী ওইনা নুমিৎ হুম্নি অৱাবা ফোঙদোক্নবা প্রাইম মিনিষ্টরনা লাওথোকখ্রবা মতূংদা গ্রিসকী মফম পূম্নমক্তা জাতিগী ফিরান তত্থাইদা চিংথখ্রে।

গ্রিসকী কোনুং অসিগী নাকল অনীদা নিংথৌকাবা নুমিত্তা অমগা অমগা পূং খরা কান্নরগা লাম্মৈ চাকপা অদু হৌরকখি। লাম্মৈ চাকপা অদু লাকশিন্নবা হোৎনবদা শাফু কল্লবা নুংশিৎনা অপনবা থোকহনখি অমসুং লাম্মৈ চাকপদা হেন্না ঈনোৎ পীখি।

এথেন্সকী অৱাং নোংপোক্তা চাক্লকখিবা মৈ অদুগী খোঙজেন য়াংনা শন্দোরকখিবা অদুনা মীয়াম্বু করিগুম্বা থৌরাং অমত্তা তৌবা নংহনখিদে অমসুং মদুনা মরম ওইদুনা মী শিবগী মশীং অসি হেল্লকপনি হায়না থাজনরি।

## খা সিরিয়াদা মীওই ৩০ হেন্না শিখ্রে

***বৈরুট, জুলাই ২৫ ঃ***
খা থংবা সিরিয়াগী স্বৈদা প্রোভিন্সকী স্বৈদা সিটি খক্তদা এক্সপ্লোসিভ বেল্ট ফাবা বোম্বর অহুম্না এটেক চত্থরকখ্রে। মসিদা নত্তনা অৱাং থংবা অমসুং নোংপোক থংবদা লৈবা খুঙ্গংশিংদসু অতোপ্পা এটেক কয়া চত্থরকখ্রে। মদুদা মীওই ৩০ হেন্না শিখ্রে।

এটেকশিং অদু থা কয়ামরুমদগী হৌনা সিরিয়াদা খ্বাইদগী তমথিবা থৌদোক চত্থরকখিবা ইস্লামিক ষ্টেট জিহাদিষ্টশিংননি হায়রি।

হৌখিবা চহীদা নোংপোক থংবা সিরিয়াগী অর্বান সেন্টরশিংগী প্রো-গভর্ণমেন্ট ফোর্সশিংনা ইস্লামিক ষ্টেট ফাইটরশিং তান্থোকখ্রবসু হৌখিবা থা খরসিদা মখোয়না খঙহৌদনা এটেক চত্থদুনা গভর্ণমেন্ট অমসুং গভর্ণমেন্টকী খূৎশম্নবা ফাইটর কয়া হাৎখ্রে।

# হিদাক পুথোক পুশিন তৌনবা দ্রোন শাহন্নবা ইন্দিয়া ইন্সটিট্যুট ওফ পব্লিক হেল্থনা খন্নরি

***হায়দরবাদ, জুলাই ২৫ ঃ***
ইন্দিয়ান ইন্সটিট্যুট ওফ পব্লিক হেল্থ, হায়দরবাদ (আই আই পি ঐচ-ঐচ) কী রিছার্সরশিংনা লম্বীদা পুথোক পুশিন তৌবদগীদি মতম হেন্না চঙলোইদবা অমসুং অচঙমনসু য়াম্লোইদবা মেদিকেলগী পোখোকশিং পুনবগীদমক দ্রোন দিলিভরি সিষ্টেম অমগী মতাংদা থবক চত্থরি।

দিজিটেল দ্রোন বেজ রিয়েল টাইম এদভান্স মেদিকেল মেদুলার লোজিষ্টিক্স সিষ্টেম (২ দি আর ই এ এম) মোদেল অসিগী পান্দমদি মেদিকেল পোখোকশিংবু মথৌ তাবা মফম অদুদা নৎত্রগা শীজিন্নফম অদুদা দ্রোন অমদা পুহনবনি হায়না এসিষ্টেন্ট প্রোফেসার অমসুং প্রোগ্রাম কোওর্দিনেটর-হেল্থ ইনফোর্মেটিক্স,



আই আই পি ঐচ, সুরেশ মুনুস্বামিনা পাউগী এজেন্সিদা হায়খি। দ্রোনদা পুহনগদৌরিবা মেদিকেলগী পোখোকশিং অদুগী মনুংদা ৱ্লদ সেম্পলশিং, ভেক্সিনশিং, মেদিসিনশিং য়াওরি।

মহাক্না হায়, ইন্সটিট্যুট অসিনা দ্রোন অদুনা পাইদুনা চৎকদবা অরাপ্পা অমসুং দ্রোন অদুনা পুবা ঙম্বা চাং য়াওনা দ্রোন অদুগী তোঙান তোঙানবা মওংগী দিজাইন পুথোক্নবা থবক চত্থরি।

ঐখোয়না থবক চত্থরিবা অহানবা থবক অমদি স্পেসিফিকেসনশিং পুথোকপনি, অনীশুবদা দিজাইনগী শরুক অদু, অহুমশুবদা হায়রিবা টেক্নোলোজি অসি তশেংনমক লৈবা পার্টনরশিং থিবা অমসুং অরোইবা পূম্নমকসি পুনশিনবা অসিনি হায়না মহাক্না হায়খি।

দ্রোনগী পাইবা ঙম্বগী অশাংবসি তোঙান তোঙানবা লৈবা মরমনা মসিগী স্পেসিফিকেসনশিং মথৌ তাই হায়না মহাক্না হায়খি। অদুগা পুগদৌরিবা মেদিকেলগী পোখোকশিং অদু লৈফম থোকপা টেম্পরেচরগী চাংদা থমগদবা দিজিটেল কেরিয়র বোক্স অমসুং মোনিটর তৌবা য়াবা অমসুং শুপ্লেপ লেপ্পনা রেকোর্দ লৌবা য়াবা মখলগী কেরিয়র বোক্স ওইনা শাগদবনি।

পব্লিক হেল্থ ফাউন্দেসন ওফ ইন্দিয়াগী মখাদা লৈরিবা ইন্সটিট্যুট অসিনা হায়রিবা টেম্পরেচর-কন্ত্রোল কেরিয়র বোক্স অদু পুথোক্নবা য়ু এস তা লৈবা জোন্স হোপকিনস য়ুনিভর্সিটিগা খূৎশম্নখ্রে।

হৌজিক রিছার্সরশিং অসিনা দ্রোনশিংদা মেদিকেলগী পোৎলমশিং পুবগী ৱাখল্লোন অসিগী মতাংদা গভর্ণমেন্টতা মরিক চুম্না খঙহন্নবসু হোৎনরি। হৌজিক লৈরিবা রিগুলেসনগী মতূং ইন্না দ্রোন অদু টেষ্ট তৌনবা গভর্ণমেন্টতগী অয়াবা লৌবা মথৌ তারি। গভর্ণমেন্টকী ওইনদি দ্রোন শীজিন্নবদা অথিংবা লৈতে। গভর্ণমেন্ট মশামক্না হীরম অসি লুচিংবা য়াবনি অমসুং টেষ্ট অদু তৌবা য়াবনি। মদু ওইরবদি ঐখোয়না টেক্নিকেল সপ্পোর্ট পীবা ঙমগনি হায়না মহাক্না মখা তাখি।

## GAS TODAY

**Porompat Indane**
Booking : 21/05/18
Valid : 01/05/18
Stk : 130/5kg
Refile Available
Time : 07.30 to 10.30 a.m

**Misao Gas Service**
Booking : 23/06/18
Valid : 08/06/18
Stk : 612
Time : 07.30 to 10.00 a.m

**K & K Indane Service**
Booking : 24/07/18
Valid : 12/07/18
Stk : 306
Time : 07.30 to 11.00 a.m

**TDK Gas**
Booking : 10/06/18
Valid : 01/06/18
Stk : 612
Time : 07.30 to 10.30 a.m

**Yairipok Gas Service**
Booking : 28/06/18
Valid : 22/06/18
Stk : 306
Time : 07.00 to 10.00 a.m

**Mahalakshmi Indane**
Booking : 06/06/18
Sl. No. 221392
Valid : 28/06/18
Stk : 306
Time : 07.00 to 10.00 a.m

**Hrangchal Gas Agency**
Booking : 23/06/18
Valid : 21/06/18
Stk : 306
Time : 07.30 to 10.30 a.m

**Laiching Indane Gas**
Booking : 20/03/18
Valid : 11/06/18
Stk : 306
Time : 07.00 to 11.00 a.m

**Heingang Gas**
Booking : 06/07/18
Valid : 28/06/18
Stk : 306
Time : 07.00 to 10.30 a.m

**Haran Velley Gas, Kwakta**
Booking : 12/06/18
Valid : 10/06/18
Stk : 306
Time : 07.30 to 10.30 a.m

**Maibia Gas, Moirang**
Booking : 11/06/18
Valid : 09/06/18
Sl. No. 0000010
Stk : 306
Time : 07.00 to 11.00 a.m

**RBD Gas**
Booking : 30/05/18
Valid : 20/05/18
Stk : 612
Time : 06.30 to 10.30 a.m

**Lambodara Indane**
Booking : 12/07/18
Valid : 02/07/18
Stk : 306
Time : 07.30 to 10.00 a.m

**J. Rongmei Gas, Wangoi**
Booking : 11/06/18
Valid : 10/06/18
Stk : 306
Time : 06.30 to 09.20 a.m

**সনা-সুদোকু -১২৩৮ গী সোল্যুসন**

| | | | | | | | | |
|---|---|---|---|---|---|---|---|---|
| 3 | 6 | 4 | 5 | 7 | 9 | 2 | 1 | 8 |
| 1 | 5 | 8 | 2 | 3 | 6 | 7 | 9 | 4 |
| 7 | 9 | 2 | 1 | 4 | 8 | 6 | 5 | 3 |
| 9 | 3 | 1 | 6 | 8 | 7 | 4 | 2 | 5 |
| 2 | 4 | 5 | 9 | 1 | 3 | 8 | 6 | 7 |
| 8 | 7 | 6 | 4 | 2 | 5 | 9 | 3 | 1 |
| 4 | 2 | 3 | 7 | 9 | 1 | 5 | 8 | 6 |
| 6 | 1 | 7 | 8 | 5 | 2 | 3 | 4 | 9 |
| 5 | 8 | 9 | 3 | 6 | 4 | 1 | 7 | 2 |

## SANA - SUDOKU

*Rules :- Nos. given in the grid should not be changed. Free boxes is to be filled with numbers from 1 to 6 horizontally and vertically without repeating any numbers.*

**Hard Sana Suduku-1239**

| | | | | | | | | |
|---|---|---|---|---|---|---|---|---|
| | | | 9 | 8 | | | | 2 |
| | 9 | | | | | 3 | | 5 |
| | | | | | 4 | 9 | | |
| | | | | 1 | 6 | | | |
| 8 | | 2 | 7 | | | | 4 | |
| | | | 3 | | | | | |
| 2 | 3 | | 5 | | | | | |
| | | 1 | 6 | 2 | 3 | 5 | 8 | |
| 7 | 8 | | | | | | | |